**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 14-07-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ১৪-০৭-২০২৫, নিংথৌকাবা)**
**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপকী মীওই অহুম ফারে।

২) কেন্দ্রনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা ক্বালিতি হন্থবা হার য়োনবশিংগী মথক্তা খুদক্তগী মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।

**অমসুং**

৩) রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগী নুমিৎ নিনিগী উরিষ্যা খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

**------**

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংদা আইন্না য়াদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি-হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়- কিহন খঙহনবা অমসুং নম হাদুনা শেল খাইবগী থবক তৌবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চথুরকপগী মনুং চন্না ঙরাং মণিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদগী কে.সি.পি(এম.এফ.এল)গী লালহৌবা অমা ফাগৎপা ঙমখি। হৌখিবা থাংজ

নুমিত্তা মণিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা থৌবাল জিলাগী থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাই মোইরাংপল্লিদগী কে.সি.পি(অপুনবা সি.টি মৈতৈ)গী লালহৌবা অমা ফাগৎখি। মঙোন্দগী হেন্দ গ্রেনেদ অমা অমসুং চাকা অনি পানবা গারি অমা ফাগৎখি। নুমিৎ অসিমক্তদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন মখা লৈকাইদগী য়ু.এন.এল.এফ(পি)গী লালহৌবা অমসু ফাগৎখি।

অমরোমদা, নিয়ম কাইনা গারি থৌরিবশিংগী মথক্তা মণিপুর পুলিসনা লৌখৎলকপা থবক্কী মনুং চন্না ঙরাং অপুনবা শেনফম লূপা লাক্ষ ১ লিশিং ৪১ রোমগী চলান ৭৯ ককখি।

**প্রাইজ(এল)ঃ** হান্নগী মন্ত্রি থৌনাওজম বসন্তকুমারনা হায়রি-মহৈরোইশিংনা মশা মশাগী শিনফমশিংদা মাই পাকপগা লোয়ননা অফবা মীওই অমমম ওইনবা হোৎনগদবনি। নম্বোল বজারদা ঙরাং দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসননা শিনদুনা নম্বোল কেন্দ্রগী অফবা মহৈরোইশিংবু মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎপগী থৌরমদা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়-মহৈরোইশিংনা মানা মানা ঙমজবা হোৎনদুনা ইমা লৈবাক অমদি মালেম অসিগী হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া কোকহন্নবা অঙন্বা থৌদাং লৌগদবনি। মহাকা হায়-

**সাউন্দ বাইট--বসন্তকুমার**

**হার ঃ** কেন্দ্রনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা ক্বালিতি হন্থবা হার য়োনবশিংগী মথক্তা খুদক্তগী মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখ্রে। মসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী এগ্রিকলচর অমসুং ফার্মরস ৱেলফিয়র মন্ত্রি শিভরাজ সিংহ চৌহাননা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিংদা অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনখ্রে। অইবা চেরোল পীখিবা অসি মরুওইনা শাশিন্নবা হার

য়োনবা, সরকারনা হন্থবা মমলদা ফংহনবা হারশিং ব্লেক মার্কেটতা থাদোকপা অমসুং আইননা য়াদবা মওংদা হার য়োম্থোক য়োনশিন তৌবা থিংনবগী পান্দমদা লৌখৎলকপা খোঙথাংনি। মন্ত্রিনা হায়-লৌউ শিংউবনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী লমদা য়াংলেন শরু ওইবা মরমা লৌমীশিংগী শেম্থোক মতিক চানা লৈহন্নবগীদমক অফবা মখলগী হারশিং চান্নবা মমলদা মতম চানা ফংহনবা হায়বসি তঙাইফদে।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগী নুমিৎ নিনিগী উরিষ্যা খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। শ্রীমতি মুরুমনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম বিজ্পাটনাইয়ক ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোটতা থুংগনি।

মফম অদুদগী মহাকা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস), ভুবনেশ্বরগী মঙাশুবা কনভোকেসন থৌরমদা য়াওনবগীদমক চৎকনি। রাস্ত্রপতিনা হয়েং রাভেনসো য়ুনিভরসিতিগী ১৩ শুবা চহিগী কনভোকেসনদা শরুক য়াগনি অমসুং কটকতা গালর্স হায়স্কুল অমগী বিল্ডিং অহুম শানবা যাত্রা হুনগনি।

**রাজনাথ(এল)ঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি-ওপরেসন সিন্ধুর চত্থরিঙৈ মনুংদা ব্রামোস মিসাইলনা থোইদোক হেন্দোকা মথৌ পাঙথোকখি। ওপরেসন অসিগী মতুংদা মপাল লৈবাকশিংদা ব্রামোস মিসাইল পামবগী চাং হেনগৎলক্লি।

লখনোগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ মনুং চন্না ঙরাং নেসনেল পি.জি. কোলেজতা উট্টর প্রদেশকী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি চন্দ্রভানু গুপ্তগী মীতম হাংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-তোঙান তোঙানবা মপাল লৈবাক ১৪ না ব্রামোস মিসাইল অসি পীনবা হায়রক্লি অমসুং মিসাইলশিং অসি লখনৌদগী থাখিগনি। মসিনা রাজ্য অসিদা থবক তৌবা মীগী মশিংসু হেনগৎহনবা ঙমগনি। মন্ত্রিনা হায়-উট্ট প্রদেশ

রাজ্য অসি লৈবাক অসিগী রাজনিতিগী খোঙচত্তা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা রাজ্য অমনি।

**রেলৱেজঃ** পেশেঞ্জরশিংগী হেন্না শাফনবগীদমক ত্রেনগী দাবা খুদিংমক্তা সি.সি.টি.ভি কেমেরা হাপবা রেলৱেজনা ৱারেপ লৌখ্রবা তুংদা কেন্দ্র রেলৱেজ মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণভ অমসুং রেলৱেজকী রাজ্য মন্ত্রি রভনিট সিংহ বিট্টুনা হীরম অসিগা মরী লৈননা পায়খৎলিবা থবকশিং য়েংশিনবা হৌখ্রে। কেমেরাশিং অসিগী মতেংনা অরানবা তৌবা মীওইশিং লায়না ফাগৎপা ঙমগনি। পেশেঞ্জরশিংগী অরোন অথুপ ঙাকচনবা কেমেরাশিং অসি দাবাশিংগী মনুংদা মীয়ামা চখোক চৎশিন তৌনবা থোং মপাদা হাপকনি হায়রি। পাউ অসিনা হায়-ত্রেনগী দাবা খুদিংদা দোম তাইপ সি.সি.টি.ভি কেমেরা ৪ অমসুং লোকোমোতিভ অমমমদা কেমেরা ৬ লৈগনি। অফবা মখলগী কেমেরা হাপ্তুনা ত্রেনশিংনা পুংদা কিলোমিতর ১০০গী চাংদা য়াংনা থৌবা অমসুং মৈ য়ামা ঙান্দবা মফমশিংদসু ময়েক শেংবা ফুতেজ উবা ফংহনগদবনি হায়না মন্ত্রিনা রেলৱে ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখি।

**এৱার্দ ঃ** কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রালয়না লেমজনিঙাই ওইরবা টেঞ্জিং নোর্গে নেসনেল এদভেঞ্চর এৱার্দ ২০২৪ গীদমক ওনলাইনগী খুত্থাংদা নোমিনেসন পীখৎলকবগী মতম হয়েং লোইরগনি। এৱার্দ অসিগীদমক ৱেভ পোর্তেল এৱার্দস দোট গোভ দোট ইনদা থাজিনগদবনি। নহারোলশিংনা শিংনবা ফিভম কয়াগী মরক্তা এভেঞ্চরগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবশিংদা মনা অসি পীগদবনি। আর্জুন এৱার্দকা লোয়ননা চহি খুদিংগী ওইনা পীবা টেঞ্জিং নোর্গে নেসনেল এভেঞ্চর এৱার্দ অসি কেটাগোরি মরি- লেন্দ এভেঞ্চর, ৱাটর এভেঞ্চর, এয়ার এভেঞ্চর অমসুং হায়রিবা লম অহুম অসিদা লাইফটাইম এচিভমেন্টকীদমক পীগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ম্যান্মারগী অলফা আই কেম্পতা ইন্দিয়ন আর্মিনা দ্রোন এত্তেক্ত চথখিবা, কাংপোকপীদগী ব্রাউন সুগর ফাগৎখিবগা মরী লৈনবা পাউশিংনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সনালৈবাক পাউচেদা- ইন্দিয়ন আর্মিগী দ্রোন এত্তেক্ততা অলফা আইগী লিদর অহুম হাৎখ্রে, কয়া অমনা অশোক অপন নংখ্রে। ম্যান্মারদা ইন্দিয়ন আর্মিনা এত্তেক্ত চথে হায়বগী ইনপুট লৈত্রি হায়বা ইন্দিয়ন আর্মি ওফিসর অমগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, পোকফম, হুইয়েন লানপাউ অমসুং নহারোলগী থৌদাংদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- ইন্দিয়ন আর্মিনা চথরকপা দ্রোন এত্তেক্ততা য়ুনাইতেদ লিভরেসন ফ্রন্ট ওফ অশোম-ইন্দিপেন্দেন্ট(য়ু.এল.এফ.এ)গী মকোক থোংবা লুচিংবা অহুম লৈখিদ্রে হায়না ক্লেম তৌরকপগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ব্রাউন সুগর কিলো ২ রোমগা কোন্ননা মীওই অহুম কাংপোকপীদগী ফাগৎখিবগী পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস এদিসন অনিমক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অনি অসিদা- পুলিসতগী লৌখিবা নোংমৈশিং শেমদোক শাদোক্লগা শিজিন্নখি হায়না ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদবা থুগাইনবা হোৎনরুবদগী ঙসিগী ইরাং অসি থোকখিবনি হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা থমখিবা ৱাফম-

নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

জিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়ানা রাজ্য অসিদা অফবা মখলগী মিনরেলশিং লৈ হায়না কনফর্ম তৌখিবগী পাউ- পীপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লম্লাই খক্তা নত্তনা শেঞ্জম চিরাংদসু লৌ পরি ৪০০ রোমদা লৌমীশিংনা লৌ উবা ঙম্লমদ্রে হায়বা পাড- হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফম পাউচেদা- সেন্তরনা ষ্টেটশিংদা ক্বালিতি য়াওদবা হার য়োল্লিবশিং এক্সন লৌখৎনবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিমক্তদা- এম্ব্যুলেন্সশিং কুংনা চেল্লিবা রিমস লম্বী কোমজাউ ঙাক্তা ঙাইরে হায়বা পাউ অমসু এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

তামেংলোংগী মতম শাংনা শেন্বীদনা লৈরিবা লম্বীশিং খুঞ্জাশিংনা মরন্নাই হোৎনদুনা শেমখ্রে হায়বা পাউ- গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা খূৎশু খূৎলাইশিং লৈরিবা লৌমীশিংদা সবসিদিজ অমসুং এসিস্তেন্টস পীথরগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচরেল ওফিসর তামেংলোংনা লাউথোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মৈতৈ অমসুং কুকিগী মরক্তা লৈরিবা নুঙাইনদবশিং য়াশিন্নবা পুরক্তুনা পার্লিয়ামেন্ট সেসন মমাঙদা অনৌবা সরকার অমা শেমবা বি.জে.পিনা আপিল তৌখিবগী পাউ- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**